# মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস য়ুএসএগী স্লোনেনা লৌখ্রে নুপাগী দবলসকী চেম্পিয়ন লৈবাক অদুমক্কী বোব অমসুং মাইক ব্রাইননা ফংখ্রে

মিয়ামী, এপ্রিল ০১ঃ

য়ুএসএগী ষ্টেট অমা ওইরিবা ফ্লোরিদাদা লৈবা মিয়ামী সিটিদা পাঙথোক্লিবা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু য়ুএসএগী শান্নরোই স্লোনে ষ্টেফেন্সনা লৌখ্রে। নুপাগী দবলসকী টাইটল অদুনা য়ুএসএগী ফাইবোক বোব অমসুং মাইক ব্রাইননা ফংখ্রে।



মিয়ামী ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী ষ্টেফেন্স

নুপীগী সিঙ্গসল ফাইনেল মেটচ অদু য়ৌরকপগী লম্বেলদা টুর্নামেন্ট অদুদা ১৩শুবা সিদেদ ওইখিবী য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা সেমি ফাইনেলদা বেলারসকী শান্নরোই ভিক্তোরিয়া অজারেনকাগা য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং সেট ২–১ মায় পাকখিবনি।

সেমি ফাইনেল অদুগী অহানবা সেট অজারেনকোনা ৬–৩ দা থোইরগা মখা তারকপা সেট অদু ষ্টেফেন্সনা ৬–২, ৬–১ দা থোইখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ষ্টেফেন্সকা ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবী লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্তাপেনকোনা য়ুএসকী ক্কালিফায়র দেনিয়েল কোলিন্সপু ৭–৬(৭–১), ৬–৩ দা থোইরমখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা লম্বা কনখি। শান্নরোই অনীমক গেম ৬–৬ থোইদুনা লাকপদগী টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্তাপেনকোবু ৭–৫ দা থোইরগা ফাইনেল অদুগী অহানবা সেট মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদি য়ুএসএগী নহা ওইরিবী শান্নরোই ষ্টেফেন্সনা ওস্তাপেনকোগী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–১ দা থোইরগা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী ৪শুবা সিদেদ বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইন ফাইবোক্না রুশিয়াগী পেয়র কারেন খাচানোভ অমসুং এন্দ্রি রুব্লেভপু সেট ২–১ দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

ব্রাইন ফাইবোক্না সেমি ফাইনেলদা জপানগী বেন মেক্লালন অমসুং জর্মনিগী জান লেনার্দ ষ্ট্রুফপু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইরমখি। অদুগা রুশিয়াগী পেয়র অদুনা সেমি ফাইনেলদা য়ুএসকী পেয়র ষ্টিভ জোনসন অমদি সাম ক্বেরিবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদু অহানবা সেটতগী হৌরগা পেয়র অনীমক অকনবা মশান্না পুথোক্লদুনা লম্বা তৌনখি। গেম ৪–৪ থোইনরবা মতুং রুশিয়াগী পেয়র অদুনা য়ুএসকী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরবা মতুং মখোয়গী সার্ভিস গেম হোল্ড তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু মখা তানা পেয়র অনীগী লম্বা মান্নখি। গেম ১২ লোইরবা ফাওবদা মায়কৈ অনীনা গেম ৬–৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নবা তাখি। টাই ব্রেক অদুদা শুপ্নগী পোইন্ট অনীখক হেল্লগা টুর্নামেন্ট অদুদা৪শুবা পেয়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা য়ুএসকী বোব ব্রাইন অমসুং মাইকব্রাইননা ৭–৫ দা থোইরগা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদু সুপর টাই ব্রেক শান্নবদা পোইন্ট ১০ য়ৌবা হানবা টিম অদুনা থোইবা শক্তদৌরিবনি। মদুদা বোব অমসুং মাইকনা ১০–৪ দা থোইরগা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল অদু ঙসি অথেংবদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং য়ুএসকী জোন ইসনরগা থেংনগনি। অদুগা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল অদুনা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমদি য়ুএসকী কোকো ভান্দিবেগেগী পেয়রগা জেক রিপব্লিককী পেয়র বার্বোরা ক্রেচিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভাগা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনরগনি।



মিয়ামী ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলস টাইটল ফংখ্রবা য়ুএসকী বোব অমসুং মাইক ব্রাইন

# বৃটেনগী এন্টোনি জোসৱানা ন্যু জিলেন্দগী জোসেপ পার্করবু মায়থিবা পীদুনা দব্লিয়ুবিও হেভিৱেথ টাইটল লৌখ্রে

কার্দিফ, এপ্রিল ০১ঃ

ৱেল্সকী সিটি কার্দিফতা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসনগী হেভিৱেথ টাইটল ফাইটতা বৃটিস বোক্সর এন্টোনি জোসৱানা ন্যু জিলেন্দগী বোক্সর জোসেপ পার্করবু রাউন্দ ১২ থিন্নখিবা বাওট অদুদা মায়থিবা পীখ্রে।



দব্লিয়ুবিও হেভিৱেথকী টাইটল লৌখ্রবা বৃটেনগী বোক্সর এন্টোনি জোসৱা

বাওট অদু মীয়াম্না য়াম্না ঙাইনখিবা মওংদা নোক আওট তৌনগদ্রা হায়না খন্নরুবনি। ফাইনেল বাওট অদুগী মাঙওইননা পার্করনা জোসৱাবু হিরম খুদিংমক্তা হেন্দুনা মায় পাক্কনি হায়না চাওনা ঙাঙখিবা অদু কার্দিফকী বাওট অদুদা চহী ২৮ শুরবা জোসৱাগী মখূত্তা জজশিংনা পীখিবা দিসিজন অদুনা মঙোন্দগী জোসৱানা হেন্দুনা হেভিৱেথ টাইটল অদু লৌখি।

জোসৱাগী মগুন লৈরবা ওইগী জেবনা পার্করবু অৱাবা নংহনখিবনি। অদুবু পার্করগী মায়কৈদগীসু ফজবা সোট অমসুং পঞ্চ কয়া য়াওদুনা মান্নবা পাউখুম পীবা ঙমখি।

মায়থিরবা জোসেপ পার্কর মহাক্কী প্রোফেসনেল রেকোর্দতা বাওট ২৫ দা ২৪ মায় পাক্লগা ঙরাং মায়থিখিবা অদুনা অহানবা মায়থিবা ওইরি। নাকল অমরোমদা বৃটিস মচা এন্টোনি জোসৱানা প্রোফেসনেল বাওট ২১ মায়োক্লখিবদা ২১ মক মায় পাকপা ঙল্লি।

হেভিৱেথ টাইটল ফাইট অদুগী ৬শুবা রাউন্দদা জোসেপ পার্করগী পঞ্চ অমনা মহাক্কী ওইথংবা পীশুম তৎহনখি। অদুবু পীশুম শোক্লা মখা তাবা রাউন্দ ৬ লম্বা চথরকপদা ষ্টেমিনা হেনখিবা অমদি পোইন্ট ফংবা পঞ্চ মশীং য়ামখিবা মরম্না জোসৱানা পার্করবু হেনখিবনি।

অরোইবা রাউন্দ অদুদা জোসৱাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা চোপ পঞ্চ অমনা পার্করগী লাইবকতা পানখি। মদুগী মতুং জোসৱাগী শাফু কল্লবা পঞ্চ অমনা অমুক পার্করগী মশাদা পানখিবদগী পোইন্ট হেন্না ফংবা ঙমখি।

ফাইনেল বাওট অদু লোইশিল্লকপদা জজ ৩ না পীখিবা পোইন্টশিংগী মনুংদা জজ অনীনা জোসৱাগী মায়কৈদা পোইন্ট ১১৮–১১০ অদুগা অতোপ্পা জজ অমনা পোইন্ট ১১৯–১০৯ পীখি বদগী বৃটেনগী এন্টোনি জোসৱানা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

বৃটিস মচা এন্টোনি জোসৱানা মমাঙদা অতোপ্পা বৃটিস বোক্সর লিনোক্স লেৱিসনা হেভিৱেথ টাইটল ফংখিবা অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি।

# ইন্দিয়ান সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ তা আইজোল এফসিনা আইএসএল চেম্পিয়ন চেন্নাইন এফসিবু থোইখ্রে

ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ০১ঃ

উরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিংগা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা মমাঙগী সিজনদা আই লীগ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা আইজোল এফসিনা চহী অসিগী হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা চেন্নাইন এফসিবু পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিবা পীখ্রে।



আইজোল এফসিগী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা

মেটচ অদু হৌরকপদা আইজোল এফসিগী মায়কৈদগী চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংগী মায়োক্তা বোল ঙন্না পুশিনবা ঙমখি। শান্নবগী মিনট ২০ লোম হৌজিল্লবা ফাওবদা পাঙ্গল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখ্রবা মতুং ২৩শুবা মিনটতা আইজোল এফসিগী টিমদা শরুক য়ারিবা রোমানিয়া মচা এন্দ্রে আইওনেস্কুনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি।

পাঙ্গল অদু মহাক্না চেন্নাইন এফসিগী দিফেন্দর মেলসনবু লান্থোক্কুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা য়াম্না নেম্না কাউশিনখিবদা অতোপ্পা চেন্নাইন এফসিগী দিফেন্দর অমদগী খেৎলগা টিম অদুগী গোলকিপর কর্নজিৎনা লাম্বা ফংদবা মফমদা বোল অদু চঙখিবদগী মেটচকী অহানবা পাঙ্গল অদু ওইখি।

চয়োল ২ রোমগী মমাঙদা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা বেঙ্গালুরু এফসিবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা চেন্নাই এফসিগী মশান্না ঙরাংগী মেটচ অদুদা য়াম্না ফজবা মওং ওইখিদে।

মখোয়গী এটেকশিং অদু য়াম্না তপখি। লোয়ননা মখোয়গী দিফেন্দরশিং অদুগী অশোনবা মফমশিং অদু আইজোল এফসিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেকশিং লানশিনবা য়াবগী অহোবা কয়া য়াওখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুসু আইজোল এফসিনা চনখিবা পাঙ্গল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লাকখিবা চেন্নাইন এফসিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী মেলসন অলবেসনা ইক্বেলাজর অদু চনখি।

অপীবা মিনট ৯০ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঙ্গল অমমম চন্নদুনা লৈখিবদগী এক্সত্রা টাইম পুংখায় অমা হাপ্তুনা অমুক লম্বা তৌনরকখি।

এক্সত্রা টাইম অদুগী অহানবা মিনটতা আইজোল এফসিগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঙ্গল চনখিবা এন্দ্রে আইওনেস্কুনা অমুক পাঙ্গল অমা চন্দুনা চেন্নাইন এফসিবু অমুক হন্নাপাঙ্গল ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

এক্সত্রা টাইমগী ১১৫শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা ধনচন্দ্র সিংহনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু অমুক হন্না পাঙ্গল ২–২ দা মান্নদুনা লৈরকপদগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাকপা টিম মশক খঙননবা হোৎনরকখি।


পেনাল্টি সুট আওট অদুদা চেন্নাইন এফসিগী মায়কৈদগী পাঙ্গল অমা চনবা ঙমহৌদবা অদুগা আইজোল এফসিগী টিম্না কাউখিবা সোট ৫ মক চন্দুনা ৫–৪ দা থোইখি।

চেন্নাইন এফসিগী মায়কৈদগী মোহমদ রাফিনা কাউখিবা সোট চনখিদবনি। অদুগা আইজোল এফসিগী মায়কৈদগী কাউখিবা ৫শুবা কিক অদু ঐচ লালমুৱান কিমানা চন্দুনা চেন্নাইন এফসিবু পেনাল্টি সুট আওট অদুদা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ান সুপর কপকী মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী টাইটল ফংননবা এভরটনবু পাঙ্গল ৩–১ দা থোইখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটি মেটচ অমা মখা তানা থোইবা তারি

লন্দন, এপ্রিল ০১ঃ

ঙরাং ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা এভরটনবু পাঙ্গল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৮৪ ফংদুনা মকোক থোংদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লীগ অসিগী টাইটল ফংনবগীদমক মখা তানা মেটচ অমা মায় পাকপগী তঙাইফদবা লৈরি।



টাইটলগী লম্বেল নকশিনখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এভরটনগী মায়োক্তা পাঙ্গল চল্লবা মতুং হরাওবা

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাঙওইননা লীগ অসিগী রাউন্দ ৩০ শান্নখিবদা মেঞ্চেষ্টর সিটি মেটচ ২৬ থোইরগা দ্রো ৩ চৎলবা মতুং মেটচ অমখক মায়থিবা নংখিবনি। মদুনা অপুনবা পোইন্ট ৮১ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা লৈখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা লন্দনদা লৈবা গুদিসন পার্কতা শান্নখিবা মেটচ অদু এভরটনগী মায়োক্তা য়াম্না ঙন্না মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পাঙ্গল চনবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোই লিরোই সেননা মেটচকী ৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঙ্গল অদু চনখিবনি।

ইকান কান্নদনা সিটিগী মায়কৈদগী গেব্রিয়েল জিজসনা শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা এভরটনবু পাঙ্গল ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

এভরটনগী শান্নরোইশিংনা সিটিনা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা অঙনবা পাঙ্গল অনী অদু হন্দোক্লবা লাক্লরিঙৈ অহানবা হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনট ৮ ৱাৎলিঙৈদা সিটিগী মায়কৈদগী রাহিম ষ্টর্লিংনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা এভরটনবু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৩–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ১৮ লোম চঙশিল্লকপদা এভরটনগী মায়কৈদগী য়ানিক বোলাসৈনা শোথখিবা পাঙ্গল ৩গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি। লেমহৌবা মেটচকী পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা এভরটনগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু সিটিনা অহানবা হাল্ফতা চনশিনখিবা পাঙ্গল ৩গী মনুংদা লেমহৌবা ২ অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থিহৌখি।

স্পেনগী লা লীগাগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মকোক থোংলিবা বার্সেলোনা মায়থিরমগবদগী মেসিনা সিভিলাগী মায়োক্তা কনবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা রিয়েল মাদ্রিদনা লাস পলমাসপু থোইখি।

টেবলগী মাঙজিল থারিবা বার্সেলোনানা মখোয়গী ৩০শুবা লীগ মেটচ অদু ৬শুবা পোজিসনদা লৈরিবা সিভিলাগা লম্বা তৌনবনি। শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা সিভিলাগী ফ্রাঙ্কো ভাস্কিজনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনখি। পাঙ্গল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফ অদুদা মরুওইবা শান্নরোই লিওনেল মেসি য়াওখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৫০ চঙশিল্লকপদা সিভিলাগী মায়কৈদগী লুই মুরেলনা পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা লীগ অসিদা মেটচ অমত্তা মায়থিরক্ত্রিবা বার্সেলোনাগী রেকোর্দ অদু থুগাইবগী লম্বেলদা নকশিনখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ২ দা ঙাইরবা মতমদা বার্সেলোনাগী লুই স্বারেজনা শোথরম্বা পাঙ্গল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকখি। মহাক্কী পাঙ্গল অদুগী মতুং মিনট ১ ফাদ্রিঙৈ অনীশুবা হাল্ফতা শান্নবা চঙলকখিবা লিওনেল মেসিনা ইক্বেলাইজর অদু ৮৯শুবা মিনটতা চন্দুনা মেটচ অদু পাঙ্গল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

দ্রো অদুনা মরম ওইরগা রাউন্দ ৩০ লোইশিল্লকপদা মেটচ ২৩ মায় পাক্লগা ৭ না দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৭৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

লা লীগাগী অতোপ্পা মেটচ অমদা লাস পলমাসপু রিয়েল মাদ্রিদনা পাঙ্গল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী জোরেথ বেলনা ২৬শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী পাঙ্গল অদুগী মতুং মিনট ১৩ লৈরগা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি অমা করিম বেঞ্জিমানা পাঙ্গল ওন্থোক্তুনা ২–০ দা লাস পলমাসপু হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা রিয়েল মাদ্রিদনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা জেরেথ বেলনা পাঙ্গল ওন্থোক্কুনা মেটচ অদু মখোয়না ৩–০ দা থোইখি। রিয়েল মাদ্রিদকী টিম মায় পাকপা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩০ দা পোইন্ট ৬৩ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। ঙরাং শান্নবা মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোগা পাঙ্গল ১–১ দা দ্রো চৎখিবা এঠলেটিক বিলবাউ মেটচ ২৯ দা পোইন্ট ৬৪ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি।

লীগ অসিগী ওইনসু বার্সেলোনাগী টিম মখা তারকপা লীগ অসিগী মেটচ খরা মায় পাক্লবদি টাইটল ফংলগনি।

# ইন্দিয়াগী কম্মনৱেল্থ গেমসকী টেবল টেন্নিসকী টিমদা সানিল সেথি য়াওখ্রে

চেন্নাই, এপ্রিল ০১ঃ

থা অসিগী ৪ দগী ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা হৌগদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টেবল টেন্নিস টিমদা হান্না শরুক য়াগনি হায়না লাওথোকখিবা শান্নরোই রেপ কেসকী মতাংদা চৈন্নে হায়রিবা সোমিয়াজিৎ ঘোসকী মহুৎ সানিল সেথিনা মহুৎ শিল্লগনি।



পনবা য়াই ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস টিম অদু নুপা শান্নরোই ৪ অমসুং নুপী শান্নরোই ৫ গোল্ড কোষ্টকীদমক ইন্দিয়া থাদোকখিবনি।

কম্মনৱেল্থ গেমস কাউন্সিল অমসুং ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সানিল সেথিবু সোমিয়াজিৎ ঘোসকী মহুৎ শিন্নবা কন্না তকশিল্লকপা অদুগী মতুং অয়াবা পীদুনা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টেবল টেন্নিস শান্নরোই ৫ শুরগনি।

পনবা য়াবদি সানিল সেথিগী মমিং অসি মমাঙদা রিজার্ব ওইনা থমখিবনি। অদুবু কম্মনৱেল্থ গেমস কাউন্সিল অমসুং ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা অয়াবা পীরকপদগী ঙরাং মুম্বাইদগী হৌরকখিবা শান্নরোই সানিল সেথি টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী এমপি সিংহগা লোয়ননা ইন্দিয়া থাদোকখি।

# রঘুবন্সিনা রাজস্থান রোয়েলসকী এদভাইজর ওইরগনি

চেন্নাই, এপ্রিল ০১ঃ

চহী ২ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতগী তান্থোক্লরবা রাজস্থান রোয়েলসকী টিমদা মমাঙদা মহারাষ্ট্রগী এন্টি টেরোরিজম স্কাদকী চীফ ওইরম্বা কে পি রঘুবন্সিনা চীফ সেক্যুরিটি অমসুং ইথিক্সকী এদভাইজর ওইরগনি।

রঘুবন্সিনা রাজস্থান রোয়েলসকী এন্টি করপসন সেল অদুসু য়েংশিনগদৌরি। কুমজা ২০১৩ দা রাজস্থান রোয়েলসকী শান্নরোইশিং স্পোট ফিক্সিংদা চেন্নরুবগীদমক টিম অদুবু চহী ২ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াহনখিদবনি। রঘুবন্সি অমসুং মহাক্কী টিম্না শান্নরোই অদুবু পুন্না য়েংশিনগদৌরি।